# হীদাক কান্নরবা পান্বীশিং ঃ হৱাই-কালন্দ্রি

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার সিংহ —
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

**ঐখোয়** অয়াম্বনা থোইদোক্লা খঙ্জিল্লুদে মদুদি হৱাই-কালন্দ্রিদা মীওইবগী হকচাংদা থোইদোক্লা কান্নহনবা অমদি হীদাক্কী ওইবা মগুণশিং য়াম্না য়াওই হায়বসি। হৱাই কালন্দ্রি অসি মালেমগী অয়াম্বা মফমশিংদা লিমা-বীন (Lima bean) নৎত্রগা বতর-বীন (Butter bean) নৎত্রগা সীভা বীন (Sieve bean) হায়না খঙনৈ। হৱাই-কালন্দ্রি পান্বীগী সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *ফেসিওলস লুনেটস (Phaseolus lunatus Linn.)* নৎত্রগা *ফেসিওলস ইলোকেনস (P. ilocanus Blaco)* নৎত্রগা *ফেসিওলস লিমেন্সি (P. limensis Macfad)* নৎত্রগা *ফেসিওলস মেক্রোকার্পস (P. macrocarpus Moench)* নৎত্রগা *ফেসিওলস রোজী (P. rosei Piper)* নৎত্রগা *ফেসিওলস ভিরিদিস (P. viridis Piper)* নৎত্রগা *দোলিকোস তোনকিনেন্সিস (Dolichos tonkinensis Bui-Quang-Chieu)* হায়না কৌই অমসুং *পপিলিওনেসী (Papilionaceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি।

পাউদমগী মতুং ইন্না হৱাই-কালন্দ্রি পান্বী অসি এন্দিজ অমসুং মেসো-অমেরিকাগী মফমশিংদগী হৌরকখিবনি। অসুম্না থাজনৈ মদুদি হৱাই-কালন্দ্রি অসি এন্দ্রিজগী মফমশিংদা খৃষ্টনা পোকত্রিঙৈ চহী ২০০০ অদুগা মেসো-অমেরিকাদনা শক ৮০০গী অদুৱাইদা পাক শন্না থাবা হৌখরে হায়না।

এন্দিজগী লমদমশিংদা থাখিবা মখল অদুনা লিমা হায়না খঙনৈ অমসুং মরূ অদু চাংদম্নবদা চাউবা হেল্লি অদুগা মেসো-অমেরিকাগী মফমশিংদা থাখিবদুনা মরূ অদুনা কূপ্পা হেল্লি অমসুং সিভা মখল হায়না খঙনৈ। কুমজা ১৩০০গী মতুংদগীদি হৱাই-কালন্দ্রি পান্বী অসি মালেমগী অয়াম্বা মফমশিংদা পাক শন্না থানখ্রে। হৱাই-কালন্দ্রি পান্বী অসি চাউরাক্লা মখল ২ থোক্লা খাইদোকই। মখোয়শিং অদুদি (ক) বুশ মখল (Bush type) -মখল অসিদি পান্বী অসি পংৱাং ৱাংদে অমসুং চবুন ওইনা হৌই অদুগা (খ) পোল মখল (Pole type) -মখল অসিদি পান্বী অদু য়াম্না শাংনা মরী চৎলি। হৱাই-কালন্দ্রিগী মহৈ অদু মচু অঙৌবা, অমুবা, অঙাঙবা, কোমলা মচু অমসুং মরাং মরাংই অদুবু অঙৌবা মচুনা খ্বাইদগী মরাং কায়না ফংই। চেকশিন্না থারবদি হৱাই-কালন্দ্রিগী মরূ অসি লম হেক্তর অমদা কেজি ২৯০০দগী ৫০০০ ফাওবা লোকপা ঙম্মী। বুশ মখলগী হৱাই-কালন্দ্রি অসিগী মনুংদা হেন্না কুপথবা মখলশিং- Henderson/Thorogreen, Eastland, Jackson Wonder, Dixie Butterpea অমসুং Fordhook হায়দুনা লৈ অদুগা পোল মখলদনা Carolina, Christmas/Chestnut/Speckled Calico, Big 6, Willow leaf অমসুং King of the Garden হায়বা মখলশিং খাইদোকই। বুশ মখলগী হৱাই-কালন্দ্রিশিং অসিনা পোল মখলশিংদগী থুনা পানবা অমসুং লোকপা হেল্লি। বুশ মখলশিং অসিনা নুমিৎ ৬৫দগী ৭৫ রোম চঙবদা পোল মখলশিং অসিনা নুমিৎ ৭৫দগী ৮৫ ফাওবা চঙই। পোল মখল অসিদি খরাই শাদুনা থাবগী মথৌ তাই।



পাউদমশিংগী মতুং ইন্না হৱাই-কালন্দ্রি পান্বীগী মহৈদা য়াওবা চিঞ্জাক্কী ওইবা মগুণনশিংদি - ইনর্জি (482 kj), কার্বোহাইদ্রেটস গ্রাম ২০.৮৮, দাইটেরি ফাইবর গ্রাম ৭, ফেট গ্রাম ০.৩৪, প্রোটিন গ্রাম ৭.৮ অসিনচিংবনি। হৱাই-কালন্দ্রি গ্রাম ১০০ খুদিংদা য়াওবা ভিটামিনশিংদি - Thiamine (B1) মিলিগ্রাম ০.১৬১, Riboflavin (B2) মিলিগ্রাম ০.০৫৫, Niacin (B3) মিলিগ্রাম ০.৪২১, Pantothenic acid (B5) মিলিগ্রাম ০.৪২২, Vitamin B6 মিলিগ্রাম ০.১৫১, Folate (B9) মাইক্রোগ্রাম ৮৩, Vitamin E মিলিগ্রাম ০.১৮ অমসুং Vitamin K মাইক্রোগ্রাম ২ অসিনচিংবনি। USDA data-base গী মতুং ইন্না কালন্দ্রি মরূ গ্রাম ১০০দা য়াওবা মিনরেলশিংদি - Calcium (মিলিগ্রাম ১৭), Iron (মিলিগ্রাম ২.৩৯), Magnesium (মিলিগ্রাম ৪৩), Manganese (মিলিগ্রাম ০.৫১৬), Phosphorus (মিলিগ্রাম ১১১), Potassium (মিলিগ্রাম ৫০৮), Sodium (মিলিগ্রাম ২) অমসুং Zinc (মিলিগ্রাম ০.৯৫) অসিনচিংবনি।

অতোপ্পা হৱাইশিংদা ওইবগুম্না হৱাই-কালন্দ্রিদসু দাইটেরি ফাইবর (Dietary fibre) অসি চাং য়াম্না য়াওবা মরম্না অমদি ফেট ইয়াও য়াওদবা প্রোটিনগী চাং য়াম্না য়াওবা মরম্না মীওইবগী হকচাংদা থোইদোক হেন্দোক্লা কান্নবা পীবা ঙম্মী। হায়রিবা ফাইবর অসি থুনা তুম্বা ঙম্বা (Soluble) মরম্না মীওইবগী ঈদা য়াওবা চিনিগী চাং অসি চাং চানা থম্বা ঙম্বা মরম্না ঈগী কোলেসটেরোল (Cholesterol) অসি চাং হন্থহনবদা মতেং পাংবা ঙম্মী। মসিনা মরম ওইদুনা মীওইবনা হৱাই-কালন্দ্রি অসি চাং নাইনা চারবদি অমাংবা য়ৈখৎপা অসি ঙাকথোকই।

হৱাই-কালন্দ্রি চাবনা চাবা তুমদবা অসিসু থোইদোক্লা কান্নবা ফল পীবা ঙম্মী। বিজ্ঞানগী পাউদমগী মতুং ইন্না ইন্সুলিন পুথোকপা ঙমদবা নৎত্রগা থিংদুনা থোকহনবা দাইবেটিস নাবা মীওইশিংনা হৱাই-কালন্দ্রি অসি থোংদুনা চাং নাইনা পীজদুনা ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়বসিনি।

পাউদম অমগী মতুং ইন্না হৱাই-কালন্দ্রি অসি চাং নাইনা থোংদুনা চারবদি থম্মোয় (Heart) কী লায়নাশিং অসি ঙাকথোকপদা মতেং পাংবা ঙমগনি। হৱাই-কালন্দ্রিদা ফোলেট (Folate) অমসুং মেগনেসিয়ম (Magnesium) অসি চাং ৱাংনা য়াওবা মরম্না ঈগী খোঙজেল অসি চানা থম্বদা মতেং পাংই হায়নসু পাউদমলি। নুপীশিংনা থাগী খোংকাপ (Menstruation) চৎপা মতমদা আইরনগী চাং হন্থরিবা অদু হৱাই-কালন্দ্রি অসি চাং নাইনা থোংদুনা চারবদি ঈ অদু থুনা মেনখৎপদা মতেং ওই।

অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুং ইন্না হৱাই-কালন্দ্রি অসি চাং নাইনা থোংদুনা পীজরবদি য়াম্না নোয়বা মীওইশিং অদুগী অরূম্বা অদু হন্থহনবা ঙমগনি। শা-ঙা চাদবা মীওইশিংনা হৱাই-কালন্দ্রি অসি থোংদুনা চাং নাইনা চারবদি হকচাংগী মথৌ তাবা প্রোটিন অদু মরাং কায়না ফংবা ঙম্মী। হৱাই-কালন্দ্রিদা কোপর (Copper) অসি য়াওবা মরম্না মীওইবগী লিভর (Liver) অসি মথৌ ফজনা তৌহন্দুনা অনা-অয়েক কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙমহল্লি। অদুবু চেকশিনগদবা অমদি হৱাই-কালন্দ্রিদা লিনামারিন (Linamarin) হায়রিবা হূ চেনবা পোৎশক অসি য়াওবা মরম্না হৱাই মখল অসি য়ামদ্রবদা মিনট ১০ রোম ফুৎপা অমদি থোংদ্রবদি চাবিরোইদবনি। ফুৎপা অসিনা হূ চেনবা মচল অসি মাঙহনখিবা ঙম্মী।

# অওনবা - ২

-ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার মীতৈ-

মতম্না পুরকপা অওনবনি হায়দুনা আ ৱেষ্টর্ন কলচরদা চৎনবা gay and lesbian শিংগী লুহোং খোংদোংবগী লো অসি টাইৱান্দা অহানবা ওইনা পাস তৌনবা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা কন্না হোৎনরি মসিদগী হেন্না মীয়ামগী শেল-থুমগী অমদি অতোপ্পা লৈবাক্তা ললোন ইতিক তৌবগী ফীভম ফগৎনবা হোৎনবগী মহুত্তা (টাইৱানগী ইকনমি হৌজিক য়াম্না ফৎত্রে দি পি পিনা হেক পাল্লকপদগী)। অসিগুম্বা লৈঙাক্কী খোঙথাং অসিদা টাইৱানগী মীওই অয়াম্বনা য়াদে অদুবু পাল্লিবা লৈঙাকসিনা মীয়ামগী মায়োক্তা চৎনহন্নবা হোৎনরি। মসিনা মরম ওইদুনা মীয়াম্বু খোইশাওনবা, লৈতাদবা পোকহল্লি। মসি হায় হায়দুনা মীওই খরসিগী হকপু মুনবদি নত্তে। মীয়াম্না পাল্লিবদি মখোয়গী লুহোংবনা মরম ওইদুনা হান্নদগী চহী লিশীং কয়া লৈজরক্লবা চাইনিজকী ওইবা মেরিএজ লো, ফেমিলি ভেল্যু অমদি নুপা অমদি নুপী হায়বগী ৱাহন্থোক অদুবুদি শোকহনগনু হায়বনি। মখোয় খরা অসিগীদমক মীয়ামগী হকপু মুনগনু হায়বনি মীয়াম্না হায়রিসিনা। লুরিবদি gay/lesbian marriage law শেন্বদা হান্না লৈজরম্বা ভেল্যু কয়া অমা মথক মখা ওন্থোক্কদৌরিবা অদুনি। মসিদনি মীয়াম্না থিংলিবসি অসিগুম্বা লো অমা পাস তৌবদা। অমবু ওইরে অমবু ওইরে, এসিয়াগী করম্বা লৈবাক্তা Gay অমদি lesbian marriage law পাস তৌখ্রবগে, তৌদ্রি। মসিগী মরমদি লো অসি হেক চৎনবদা হান্নদগী লৈজরকপা মেরিএজ লো, ফেমিলি ভেল্যু, নুপা নুপী হায়বগী ৱাহন্থোক, মপূরোইবা-মপূরোইবী, মমা-মপা, মচা-মশু হায়বগী ৱাফম কয়াদা অকায়বা পীবগী মমি উবদগী পাস তৌদবনি হায়বসি নহারোল কয়া অমনদি খঙবা ঙমদে। নহারোলশিং অসিনা হায়রিবনা মখোয়সু মীনি, মখোয়সু নুংশিবগী হক লৈ, হৌজিক্কী মতমগা হান্নগা খেন্নরে হায়বসিনি (ওল্ড ইজ গোল্ড হায়বসু লৈবনি)। অদুবু মীয়াম্না পীরিবা পাউখুমদি মীওই ১০০দা চাদা ১ ফাওবা য়ৌদবা মখোয়গী লো অমা শেম্বদা চাদা ৯৯দগী হেন্না লৈরিবা মীওই কয়া অমগী চৎনবী, থাজবী অমদি ভেল্যুবু থুগাইবা অমদি মখোয়গী হকপু মুনবদি লাল্লি হায়বসিনি। ময়ামসু অদুম খনবীরো কনানা লাল্লিবনো অদুগা কনানা চুল্লিবনো হায়বদো। লো অসি পাস তৌদে হায়দুনা মখোয়দা অমদি অতৈদি অথিংবা অমত্তা পীদে - মহৈ মশীন তম্বদা, লৈবদা, চাবদা, চৎপদা, থবক তৌবদা। শুপ্নতগী নুপা-নুপী অমা ওইবগী য়ূম্বানগী, মচা-মশু পোক্তুনা চাদা-নাওদাবগী হক অদুগী ওইবা লুহোংবগী হক অদু খক্তনি মীয়াম্না য়াদ্রিবা মখোয়দা, মরমদি মখোয়না কৈদৌনুংদসু নুপা-নুপী অনী পূন্দুনা মচা মশু পোক্তুনা চাদা-নাওদাবা হায়বদুমা য়ারোইদবনিনা। অতৈ মরম ময়াম অমসু লৈখ্রে মীয়াম্না পাল্লিবা লৈঙাকসিদা থল্লিবা অদুবু পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা থওইনা তাবীদে।

ইরমদম কংলৈপাক্তা অমুক ওনশিল্লকপদা, হৌজিক য়াম্না চাউনা লাক্লিবা অওনবা অমনা লাইনীং লাইশোনগী লমদনি হায়না থমজগে। মশানা মশাগী খোঙদা লেপচবা ঙম্নবা অওনবসু চাউনা লাক্লি। লাইনীং লাইশোনগী লমদা লাক্লিবা অওনবা অসিদি য়াম্না চুম্মী। মসিদি কংলৈপাক্তগী হৌরকখিবা য়েলহৌমী কাঙলূপশিংনা মখোয় মখোয়গী হৌরকফমগী ওইবা লাইনীং লাইশোনবু মতম শাংনা মুনবিখ্রবা অদু অমুক হঞ্জিন্নবা, চাওখৎনবা নৎত্রগা কঞ্জনবা হোৎনবগী খোঙথাংনি। খুদম অমা ওইনা



Protest against gay marriage

পঞ্জরবদা মৈতৈ/মীতৈশিংনা সলাই তরেৎকী ওইবা সনামহীজমবু অদুক্কী মতিক কন্না হোৎনদুনা মাঙদা চঙশিল্লক্লি। অদুগা কবুই কাঙলূপকীসু মখোয়গী হৌরকফমগী ওইবা লাইনীং লাইশোনবু অমুক হন্না চৎচনবগী অদুগুম্বা মশাগী হৌরকফমগী লাইনীংবু নুংশিজবগী অওনবসি উবা ফংলে ঙসিদি। অসিগুম্বা অওনবা অসিবু শৌগৎপীদুনা মাঙদা হেন্না চঙশিন্নবা নৎত্রগা মসিবু থিংনবা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনসু তৌবা য়াই। করিগুম্বা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা অওনবা অসিবু শৌগৎতনা মপানগী লাইনীংদা শৌগৎনবা হোৎনরবদি মখোয়বু কাউবা নাইদনা তুংদা হৌরক্কদৌরিবা মখোয়গী মচা মশুশিংনা মতম চুপ্পগী ওইনা নীঙমদনা লৈহৌরগনি। অদুগা অওনবা অমনা কংলৈপাক্কী নহারোল কয়া ঙসি মশা মশাগী মখোঙদা লেপচবা ঙম্নবা তোঙান তোঙানবা হীরমদা ললোন ইতিক্কী ওইবা থৌদাং কয়া লৌখৎলি। মসি য়াম্না ফবা খোঙথাংনি হায়জনীংই। মীওই অহুম মরিখক লৈবা লমদম অসিগীদমক তঙাইফদবা পোৎলমশিং পুথোকপা হায়বসি য়াম্না অরুবা ৱাফমদি নত্তে। অদুবু মতম শাংনা নিদুনা, অতোপ্পদগী পুশিল্লক্তুনা চাবগী, শেৎপগী হৈনবী লৈরুবনা মতম কুইনা তূল্লুরে। মসিগী অওনবা অসিনা হান্নগী ওফিসকী ওইবা থা থাগী তলব চাব থবক তৌদুনা হিংগনি হায়বগী ৱাখল্লোন অদুমদি ফনা য়াম্নদি হোংখ্রে খল্লি। অসিগুম্বা অহোংবা মীওইশিং অসিবুদি লৈঙাক্লা য়াম্না শৌগৎপীফম থোকই অমদি মখোয়বু ইকায়খুম্নফম থোকই, মনা পীফম থোকই।

য়াম্না নুংঙাইতবা ইরমদমগী অওনবা অমনা অহলশিংবু ওল্ড নর্সিং হোমদা থম্বীবা অসিনি। মসি য়াম্না থম্মোয় কনবগী নৎত্রগা ঐখোয়গী চৎনবীগা য়াম্না চুনদবা অহোংবা অমনি। ঐখোয়গী ফজখ্রবা, নুংশিখ্রবা মপূ মবেনশিংগা পূন্না নুংশিননা হিংমিন্নবগী - অহলশিংসু হরাউজবা অদুগা মশুশিংসু হরাউজবগী চৎনবী অসিবু অসিগুম্বা য়াম্না ইন্দিভিজুএল ওইবা, মতোমমতগী খনবা ৱেষ্টর্ন কলচরনা মহুৎ শিনবা হৌরকপদি থম্মোয় য়াম্না শোক্লীংঙাইনি। মসি য়ারিবমখৈ থৈদোক্লবা হোৎনগদবনি। ঐখোয়বু মখোয়না অসুক্কী মতিক ৱানা, ৱাই কৌই হায়দনা, মচিন্দগী চরা ইন্দুনা চহী কয়া য়োক্লকপা অদুগা মখোয়গী পুন্সি লোইরমদাই চহী খরখক অরোইবা পুন্সিগী তাঙ্কক ঙাইরিবা মখোয়বু ঐখোয়না নুংঙাইনা, নুংশিনা থম্বীগদবনি।

লোইশিল্লকপদা, অওনবা হায়বসিদি শোয়দনা লাক্কনি, মতমগী লাইরেম্বীনা শোয়দনা পুরক্কনি, কনানসু থিংবা ঙম্লোই। অদুবু করম্বা মায়কৈদা অওনবা পুরকসিগে হায়বসিদি মীওইবা ঐখোয়দা য়াম্না লৈরে, মরুওইনা লৈঙাক্কী চুপলি পায়রিবা মীওইশিংদা। মীয়ামদা কান্নগদবা, ফগদবা, লৈবাক্কী ওইবা কান্নগদবা, অচুম্বা পোলিসি শেমদুনা লাক্লিবা অওনবা অদুবু লমজিংনবা হোৎনগদবনি। ইরমদম কংলৈপাক্তা লাক্লিবা, থেংনরিবা অওনবশিং অমদি টাইৱান্দা থেংনরিবা অওনবশিং মান্নবসু লৈ, মান্নদবসু লৈ। অদুবু তৌফম থোকপদি করম্বা মায়কৈদা অওনবা পুরকসিগে হায়বসি পাল্লি পাল্লিবা লৈঙাক অদুগী মখা য়াম্না পোল্লি। অদুগা চেকশিনগদবা অমনা অওনবা কয়া চাওখৎপা লৈবাকশিংদা তৌনৈ হায়দুনা ইরমদম কংলৈপাক্লা মতৌ হেক্তা তম্বদি য়াম্না লানগনি, অফবা অমত্তা পুরকপা ঙম্লোই হায়না থমজগে। অদুগা ফত্তবা, চান্নদবা অওনববু লৈঙাক্লা লোইনা ঙাক্কদবনি অমদি অফবা অওনবসু লৈঙাক্লা লোইনা তৌগনি হায়দুনা মমা-মপা, অহল-লমন অমদি তাকপী তম্বীরিবা ওজাশিংনা তুমিন্না লৈথোকপদি লানগনি, অঙাংশিংবু, নহারোলশিংবু অচুম্বা, অফবা লম্বীদা অওনবা পুরকপা ঙম্লোই। ঐখোয় খুদিংমক মসি ইথৌনি খন্দুনা মখোয়বু ফত্তবা হৈনবী কয়াদগী থৈদোক্তুনা অফবা, অচুম্বা তম্বীদুনা অচুম্বা মায়কৈদা পুশিনগদবনি। অফবা অওনবদি লৌশিনসি অদুগা ফত্তবা অওনবদি থৈদোকসি। য়াইফরে।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## মীশিং অমসুং গাড়ী হেনগৎলকপগী মতুং ইন্না হৌজিক্তগী প্লান তৌবীহৌবনা চুমগনি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**লৈঙাক্কী** থৌগাই পুবিরিবশিংনা চহী ১০/২০গী মমাঙদগী অশানবা মীৎয়েং থম্বীরল্লবদি ঙসি ঙসিমক ইম্ফাল সহরদা মীশিং অমসুং গাড়ীগী মশীং হেনগৎলকপনা চিল্লিবা অসি য়াম্নমক শাফরমগদবনি খঞ্জে। অদুবু হৌখিবনা হৌখ্রবসু, হৌজিক্কী লৈঙাক মপূশিংনা চহী ১০/২০গী মতুংদা ইম্ফাল সহরদা ওইরক্কদবা ফীভম অদু হৌজিক্তি খন্থন্নীংই। হৌজিক্কী লৈঙাকসিনা এসেমব্লি মীফম, কেবিনেট মীফম কয়ারক ফমখ্রে। অদুবু তুং কোইনা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিন্দা শাফগদবা, সরক মপান্দা লৈরকপা মীওইশিংদসু অকায়বা পীরোইদবা লম্বীগী প্রোজেক্ট প্লান অমত্তা পায়খৎপা উজদে। ইন্দিয়া লৈঙাক্লদি মণিপুর অসি অৱাং নোংপোক লমদা অচৌবা ট্রেদ সেন্তর অমা ওইরক্কনি, মণিপুর চাওখত্তনা ইন্দিয়া চাওখৎপা ওইথোক্তবনি, লুক ইষ্ট পোলিসিগী মহুত্তা এক্ট ইষ্ট পোলিসি ওইগদবনি হায়বদি পংহায়দা হায়নৈ। হায়রিবশিং অসি ওইরকপা তারগদি ইম্ফাল সহর অসি অদুক্কী মতিক কঞ্জেষ্টেদ টাউন ওইরক্কদৌরিবনি। মরম অদুনা ঙসিদগী হৌদুনা মণিপুরগী ইম্ফাল টাউনগী লম্বীগী প্রপোজেল রিপোর্ট অমদি বজেট ইষ্টিমেট শাদুনা ইন্দিয়াগী অঙম অথৌশিংদা পীহঞ্জনীংই। করম্বা লম্বীগী প্রপোজেল অমসুং মদুগী মতিক চাবা বজেটকী মরমদা অইবা ইশাগী ওইবা খরদং মখাদা থমজরি।

ইম্ফাল সিটি মনুংদা লৈরিবা লম্বীশিং অসিগী মথক্তা লৈকং থোং (ওভর ব্রিজ) শিং শাবীনবা চহী অমদা কিলোমিটর ৫/৫গী প্রপোজেল অমসুং বজেট পীবিদুনা অয়াবা লৌনবা হোৎনবীগদবনি। চহীদা কিলোমিটর ৫ শাংবা ওভর ব্রিজ অমা শাবা হায়বসি মেন পৱার অমদি মেছিন মচিক চানা থাদরবদি করিসু লৈবা থবক নত্তে হায়জনীংই। অদু ওইরবদি চহী তরাদদি কিলোমিটর ৫০গী ওভর ব্রিজ ইম্ফাল মনুংদা উবা ফংলগনি। মদু ওইরবদি মী চিনবা হন্থবদা নত্তনা টাউন ব্যুটিফিকেসনসু ওইগনি খঞ্জে। ইম্ফাল সহর মনুংদা লৈরিবা লম্বীশিং অসিগী মথক্তা ওভর ব্রিজ শাবিবা নত্তনদি হৌজিক হৌজিক পাকথোল্লিবা লম্বীশিং অসিদগী হেন্না পাকথোক্লবগী মফম ৱাখলনা লাম্বা ফংজদে। লম্বীশিং অসিগী মথক্তা ওভর ব্রিজ শানবগী মওং মতৌ খরদং মখাদা পীজরি।

রোদ দিভাইদর লৈতবা লম্বীগী মথক্তা শাবীবা তারগদি সরক্কী নাক য়েত্তা মতিক চানা লুনা অমদি পাক্লা প্লেট হৈবিরগা হৌজিক হৌজিক ওইরিবা সরক্কী লৈমায়গা মান্ননা বিম লাকপীরগা, অৱাংবগী চাংদা অমুক বিম লাকপীরগা, সরক্কী অশাংবগী মতুং ইন্না পিল্লর অমুক কুংনা য়ুংবনা ফগনি হায়বদুগী মতুং ইন্না বজেট ইষ্টিমেট শেম্বীগদবনি। অদুগা রোদ দিভাইদর লৈবা সরক ওইরগদি লাইন অমদা মখোঙ অহুম-অহুম য়ুংবিরগা শাবীবদা বজেট সেঙ্কসনবু লৈরবদি য়াম্না লায়না শাবা য়াগদবা ঙাক্তনি হায়জনীংই। অসুম্না চহী ১০দা কিলোমিটর ৫০না কোনবা ওভর ব্রিজ ইম্ফাল সহরদা থম্বীরবদি লৈবাক মপূদা নত্তনা ইন্দিয়া লৈঙাকপুসু মীয়াম্না কয়াগী মতিক থাগচগনি।

মথক্তা হায়জখ্রিবা কিলোমিটর ৫ শাংবা ওভর ব্রিজ অসি অহানবা চহীদা করম্বা লম্বীগী মথক্তা শাহনসিগে হায়বদুদি লৈবাক মপূনা খনবীরো। মরক থৎনা, রিমসকী অরিবা গেট মপাদগী হৌজিক হৌজিক অনৌবা কৈথেল শাগৎলিবা ওল্ড এসেমব্লি রোদ তাবা ফাওবদা লৈরিবা লম্বী অসিগী মথক্তসু ওভর ব্রিজ শাহঞ্জনীংই। ওভর ব্রিজ শাবীবা মতমদা ম্যেন রোদতগী ভিলেজ রোদ হায়জিনবা মপা মপাদা মখোঙ মরি মরি নৎত্রগা তরুক-তরুক য়ুংবীদুনা ওভর ব্রিজদগী কাপথোকপীদুনা পার্কিং এরিয়া শেম্বীগদবনি। অদুগা মফম চাবা চাবা য়েংলগা ওভর ব্রিজদগী দাউন শিড়ি শেম্বীদুনা মার্কেটরশিংগী খুদোংচানবসু শীনবীগদবনি। হৌজিক হৌজিক লৈরিবা ইমা কৈথেল অহুমগী মথক অসিসু ওভর ব্রিজদগী কাপথোল্লগা শম্নহল্লবদি নহান্না অচৌবা কৈথেল অহুম উবা ফংলগনি খঞ্জে।

মথক্তা পঞ্জখ্রিবা ওভর ব্রিজশিং অসি শাবীবা নত্তনা হৌজিক হৌজিক ইম্ফাল সিটি মনুংদা চিল্লিবা অসিনা চহী ৫/১০গী তুংদা ওইরক্কদবা অদুগা চাংদম্নবীরগা খুদক্তগী প্লান তৌহঞ্জনীংই অমসুং সেঙ্কসন ফংননবা হোৎনহঞ্জনীংই। হায়রিবা অসিবু থবক্তা ওন্থোকপীরবদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুরবু নুংশিবিরে অমসুং অৱাং নোংপোক অমদা য়েংলিবা এক্ট ইষ্ট পোলিসি অসিগী খুদম চাংদম ওইরে হায়না মীয়াম্না লৌনগনি নৎত্রগদি এক্ট ইষ্ট পোলিসি অসি ফাগীনি হায়না মীয়াম্না লৌরোইদবগী মরম লৈব্রা হায়না হংজনীংই।

*অদোমগী - এলাংবম মনিহার (রোমেস), থাংমৈবন্দ গুরুকুল স্কুল মনাক*

## মরোল থোকপা লাই

